# হীদাক কান্নরবা পান্থীশিং ঃ আলালু

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**মতম** অমদা ঐখোয়গী অকোয়বদা য়াম্না মরাং কায়না হৌরম্বা পান্থী কয়ামরুম তপ্না-তপ্না মশীং হন্থরক্তুনা কোন্নদি মফম অদুদগী অমসুং মখা তারকপদা মালেম অসিদগী মাঙখিবা পান্থী কয়ামরুম ঐখোয়না থেংনরি। ঙসিদগী চহী ৩০-৪০ রোমগী মমাঙদা আলালু হায়রিবা পান্থী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মরাং কায়না হৌরম্বা অমসুং থানদুনা য়াম্না অহাওবা চিঞ্জাক অমা ওইনা লৌনরম্লবসু ঙসিদি ইউ উশিল্লক্ত্রে। আলালু পান্থী অসি ইংলিসতা এরোরুট নৎত্রগা মারান্তা নৎত্রগা ৱেষ্ট ইন্দিয়ন এরোরুট নৎত্রগা ওবিদিয়েন্ট প্লান্ট নৎত্রগা বর্মুদা এরোরুট নৎত্রগা আরারু নৎত্রগা হুলানকিরিয়া, সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *মারান্তা অরুন্দনেসিয়া (Maranta arundinacea Linn.)* নৎত্রগা *মরান্তা ইন্দিকা (M. indica Tussac)* নৎত্রগা *মারান্তা মাইনর (M. minor Chantrier ex Andre)* নৎত্রগা *মারান্তা রেমোসিসিমা (M. ramosissima Wall)* নৎত্রগা মারান্তা সিলভাতিকা (M. sylvatica Roscoe ex Sm) নৎত্রগা *মারান্তা টেসিলাতা (M. tessellata E. Marren)* নৎত্রগা ফ্রাইনিয়ম ভেরিগেটম *(Phrynium Variegatum N.E. Br)* হায়না কৌই অমসুং *মারান্তেসী (Marantaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

মীওইবা ফুরুপনা লৌউ-শিংউ তৌরকপা মতম খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ৮২০০গী মতমদগী আলালু পান্থী অসি থাদুনা লাক্লে হায়বগী পাউদমশিং লৈ। মরু ওইনা খা থংবা অমেরিকাগী লমদমশিংদা য়াম্না কুইরবা মৈহৌরোলগী মতমদগী আলালু পান্থী অসি থাদুনা মীওইবনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিংসু লৈ। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না আলালু পান্থী অসি অৱাং নোংপোক থংবা ব্রাজিলদা লৈবা অমাজোনগী নোং য়াম্না তাবা উমংশিং অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা লৈবাকশিংদগী হৌরকখিবা ওইগনি হায়না থাজনরি। অতোপ্পা পাউদম খরগী মতুং ইন্না আলালু পান্থী অসি মেক্সিকো, ময়ায় থংবা অমেরিকা, ৱেষ্ট ইন্দিজ, খা অমেরিকানচিংবা মফমশিংদগী হৌরকখিবা ওইগনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী পুশিল্লকপা ওইজরবসু আলালু পান্থী পাক-শন্না থাবা লৈবাকশিংদি ইন্দিয়া, জামাইকা, বর্মুদা, বাহামাস, চাইনা, দি নিদরলেন্স, শ্রী লঙ্কা, মৌরিসিয়স, ফ্লোরিদা, কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সকী মফমশিং অসিনি অমসুং মহৌশাগী ওইবা মওংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। কেরিবিয়ানগী লমদমদা লৈবা সেন্ট ভিনসেন্ট অমসুং গ্রেনাদিন্স অসি মালেমগী মনুংদা আলালু পান্থী খ্বাইদগী থাবা অমসুং পোৎথোক পুথোকপা মফমশিংনি। ইন্দিয়াগী মনুংদা আলালু পান্থী খ্বাইদগী থাবা অমসুং পোৎথোক পুথোকপা রাজ্য অসি কেরলানি। কেরলাদা আলালু পান্থী অসি বিলাথী-কুভা হায়না কৌই অমসুং য়াম্না লায়না তুম্বা ঙম্বা চনাং (Starch) পুথোকপদা শীজিন্নৈ। পান্থী অসি তুরেলগী মপান্দা থাবনা খ্বাইদগী চানৈ। আর্কিওলোজিষ্ট খরগী মত মতুং ইন্না আলালু পান্থী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদা অমেরিকাদা খুন্দারম্বা মীওইশিংনা থাঙ-তেন্না শোক্তুনা হূ কাবদা হূ অদু লৌথোক্লবগীদমক্তা পান্থী অসিগী মউ অদু শুগাইরগা থোমদুনা শীজিন্নরম্মী হায়বগী পাউদমশিং লৈবা মরম্না



থিজিল্লুবদসু খুদম চাংদম খরদি ফংবা ঙম্মী হায়রি।

অর্কিওলোজিষ্ট কাঙবু অমনা থিজিনবদসু আলালু পান্থী অসি খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ৮২০০গী মতমদা কৌকা তুরেলগী মথক থংবা তম্পাক্কী মফমশিংদা মফম অদুদা খুন্দারিবা মীওইশিং অদুনা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরম্বগী খুদম চাংদমশিং ফংবা ঙমখি। অদুম ওইনমক আলালু পান্থী অসি মতম অদুগী মীওইশিং অদুনা মখোয়গী অকোয়বদা থাজবরা নৎত্রগা উমং-ৱামংদগী ফুক্তুনা শীজিন্নবরা হায়বদুদি চপ চানা হায়বা ঙমদে। মরমদি হায়রিবা তম্পাক অদুগী অৱাংবা অলটিচ্যুট মিটর ১৭০০ অসিদি আলালু পান্থীগী মহৌশাগী ওইবা হেবিটেট অদুমক্তি নত্তে। মরম অসিনা আলালু পান্থী অদু অতোপ্পা মফমদগী পুরক্লগা থাখিবা ওইগনি হায়না বোটানিষ্ট




খরনা মত পীরি।

মসিগী মখা তারকপদা আলালু পান্থী অসি লৈঙোয় তাবা অদুগা ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না মথৌ তাবা মরম্না মথক্তা পনখ্রিবা তুরেলগী মপান্দা চুশিন্ননা থাখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরি।

আলালু পান্থীগী মউ (রাইজোম) অসি কাংহু পান্থীগুম্না লৈবাক মনুংদা মনাওশিং শন্দোক্তুনা তাই। হায়রিবা মউ অসিদা ফাইবর হায়না খঙনবা মশিং য়াম্না য়াওবা মরম্না চাবদা খুদোং খিত্তং চাদ্রবসু মসিগী থোইদোকপা মহাও অমসুং চিঞ্জাক্কী ওইবা মগুণশিং অদুনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানৈ। আলালুগী মউদা য়াওরিবা চনাং (Starch) অসি য়াম্না থুনা তুম্বা ঙম্বা মরম্না অঙাং অমসুং অহলশিংনা চাবদা থোইদোক্না খুদোংচাহল্লি। হায়রিবা চনাং অসি কেক, তন অমসুং বিসকিট শাবদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা চনাং অসি অকে অমৌগী মায়তৈ হীদাক অমসুং গম শাবদা শীজিন্নৈ। মউ অদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা মখাক অদু যূমদা য়োকপা শা-ষণগী অফবা মচিঞ্জাক অমা ওইনা পীজনৈ। আলালুগী মউদা য়ালবা ভিটামিনশিংদি থীয়ামিন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.১৪৩), রাইবোফ্লেভিন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.০৫৯), নিয়াসীন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ১.৬৯), মিনরেলশিংদি - আইরন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ২.২২), মেগনেসিয়ম (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ২৫), মেঙ্গানিজ (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.১৭), ফোসফোরস (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ৯৮), পোটাসিয়ম (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ৪৫৪), জিঙ্ক (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.৬৩), প্রোটিন (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ৪.২৪), ফেট (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ০.২), কার্বোহাইদ্রেট (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ১৩.৩৯) অসিনচিংবনি।

# কীটচন্দা থম্নবা ফুদ টেষ্টিংগী পোর্টেবল / মিনি মেছিন পুথোকপীয়ু

## (শাজেলগা লোয়নননা অফবা চিঞ্জাক্লা অফবা ৱাখল পুথোকই)

- মোইরাংথেম দিনকান্ত -

**ঐখোয়না** অহাও-অথুম চাবা থকপসি য়াম্না পামই। চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফজনা মাঙজৌননা শেম শাদুনা চায়। চারমদাইদা খূৎশা শেংনা হাম্বা হায়বসিমসু হকশেলগী এক্সপার্টশিংনা ইতৎ-তত্তনা হায়রি। করিগুম্বা হরাউ-কুম্মৈগী মতমদনা অমুক হেন্না চাব-থকপগী থৌরমশিং তৌই। অদুবু ঐখোয়না চেকশিন্দবা অমদি চানবা পোৎলমশিংদু খন্দোক হায়দোকপা তৌদনা চানীংই-থক্লিংই হায়দুনা হেক্তা চাশিনবগী থবকসি তৌদবা নত্তে। মদুনা ঐখোয়গী হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইদুনা অনা লায়ওং কয়া মায়োক্নদুনা পুন্সিবু অরুম্বা পোৎলুম অমগা পুদুনা চৎপগুম তৌই। ঐখোয়গী হকশেল ফনা থম্বা হায়বসিদা অফবা চিঞ্জাক্কী মখা য়াম্না পোল্লি। অফবা চিঞ্জাক হায়বসি ঐখোয়না থিরগা শেমজগদবনি। ঐখোয় ইশানা শেমজবা নত্তবা অতোপ্পনা শেম্বা পেকেটকী অমসুং লুকমাইদা থারগা য়োল্লিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অসিদি কয়ামুক য়াম্না অফবা চিঞ্জাক্কী মনুং চল্লবগে হায়বসি হংনীংঙাইনি। মরমসিনা করিগুম্বা পান্থে অমা শীজিন্নদুনা চানবা পোৎলমশিংদু হান্না টেষ্ট তৌবা য়াম্না মরু ওই। মসিগুম্বা মরমশিং অসি য়েংশিন্নবা হৌজিক্তি ফুদ এনালাইসিস অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্ট লৈরে। Food safety and Standards Authority of India (FSSAI) না কম্পেনি নৎত্রগা ফার্মশিংনা পুথোক্লিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং হান্না য়েংশিল্লগা লাইসেন্স নম্বর পীদুনা অমসুং এফ এস এস এ আই মর্কা থাদুনা পুথোকহল্লি।

মণিপুরদা হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী ৱর্ল্ড এইদস দে নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না শঙ্গাদুনা হৌদোকখিবা ফুদ সেফটি মোবাইল লেবোরেটরি ভেহিকলনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা য়োল্লিবা চানবা পোৎলমশিং টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে। ষ্টেট ফুদ এনালিষ্ট ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টকী নোদেল ওফিসর অনী অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুদ সেফটি ওফিসর অহুম ডা. নোঙাল্লে পেবম, পুর্নিমা সৌবাম অমসুং নেলসন থৌনাওজম্নচিংবা ওফিসরশিংনা ইম্ফালগী শামু মখোঙদা ফুদ সেফটিগী মোবাইল লেবোরেটরি ভেহিকল ফুদ সেফটি ওন হিলস খামদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৮দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা য়োল্লম্বা চানবা পোৎলমশিং টেষ্ট তৌবা হৌখি। কৈথেলদা য়োল্লিবা পোৎলমশিং লৈরগা পোৎলম ২১ টেষ্ট তৌখি। চানবা পোৎলম ১১দি মপূং ফানা টেষ্ট তৌবদা পোৎয়ান অমত্তা য়াওবগী খুদম চাংদম ফংখিদে। খুদক্কী ওইনা শিনবা ফুদ সেফটি দ্রাইভ কম এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অদুদা টেষ্ট ফুদ এনালিষ্ট সী ঐচ সনাজাওবনা য়োল্লিবা পোৎ অদু করম্বা নুমিৎতা শাবনো, করি করি য়াওরি অমসুং কদাইদা শাবনো হায়বা ময়েক শেংনা ইদবা পোৎলমশিং মতুংদা য়োন্দনবা পাউতাক পীরমখি হায়না পাউচেদা থেংনজহৌই। অসুম্না মণিপুরগী লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকসি মীয়ামগী লাইবক ফবনি হায়জরি। মতুংদসু মফম অতৈ অতৈদসু চৎতুনা ফুদ সেফটি দ্রাইভ কম এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অসি পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবসু মরী লৈনবশিংগী মফমদা থমজরি।

কৈথেলদা/দুকান্দা য়োল্লিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অসি লোইনমক অফবনি/ফত্তবনি হায়বসি য়াদে। পোৎয়ান য়াওরবা পোৎসি ঐখোয়না চাশিনবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা পুন্সি লোম্বা য়াওরি। হৱাইচার অমসুং মশক খঙদবা চেঙ্গুম চারুবদগী ইমুং অমগী মীওইশিং হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে হায়বগী পাউ হেক হেক তারি। ইন্দিয়াগী লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা অনীশুবা প্রাইম মিনিষ্টর লাল বহাদুর শাস্ত্রি মশাগী চহী ৬১শুবদা সোভিয়েট য়ুনিয়নগী তাস্কেন্ট উসবকী ষ্টান্দা তাস্কেন্ট এগ্রিমেন্ট তৌবা চৎপদা হার্ট এটেক তৌদুনা শিখিবনি হায়রবসু চিঞ্জাক্তা পোৎয়ান য়াওবদগী শিখিবনি হায়না ৱারীনবসু লৈ।

ইজরিবা ঐহাক আর্মিদা থবক তৌজরুরে। শিল্লোংদা ত্রেনিং তৌবা হৌরকপদা দিপ্রেসন্না নারক্তুনা গুৱাহাটিগী ১৫১ বেজ মিলিটরি হোস্পিটালগী সাইকিয়াত্রিক ৱার্দতা লায়েংলকই। মদুদা লৈরম্বা পেসেন্ট অয়াম্বা পেন্সন চৎলমদাইগী অহল ওইরবশিং অমসুং য়ু থকপদা লাইচুরবশিংনা অয়াম্বনি। মতম খরগী মতুংদদি ঐসু হোস্পিটালগী ষ্টাফনা পেসেন্টশিংগী চান-থক্নবশিং কুক হাওসতগী লৌবা থাবদা ঐসু য়াওহল্লি। ত্রোল্লিগুম্বা থেলা গাড়ী ইল্লগা কুক হাওসতা চৎকনি। চাক থোংবা থাকপা লোইরমদ্রবদি ঐসু তিলহৌ শোইবা, আলু শোইবা তৌদুনা য়াওই। ঐসি কুক হাওসকী কুক মাষ্টরনা ঐনা অঙাং ইওই ওইবনা মচাগুম্বনি হায়দুনা লুনা তৌই। মহাক্লা ঐঙোন্দা দাদু কৌই। দাদু চাক এঞ্চাং লৌবা লাক্লবরা, ঙসিদি চীকন থোংবা ময়াম পুখো হায়দুনা ফাগী তৌই। চাক লৌরুরগা পেসেন্টশিংদা পাউ পীদুনা মাগী-মাগী কপ-প্লেট পায়দুনা পরেং নায়না চঙলক্লগা চীকন চাবনা চীকন পীবা, বেজিটেরিয়ন চাবনা বেজিটেরিয়ন পীবা তৌই। অদুবু ময়াম্না চাদ্রিঙৈদা হোস্পিটালগী দোক্তর/নর্স/ষ্টাফ অমদা ফুদ টেষ্টিং হায়দুনা হান্না টেষ্ট তৌহল্লি। থুম য়াকই, মোরোক শাই/শাদে লোয়না হায়রক্কনি। ঐখোয়না অমুক কুক মাষ্টরদা পাউ পীগনি। অসুম্না ফুদ টেষ্টিং তৌবগী চৎনবী আর্মিগী রুলদসু য়াওই।

হৌজিক য়ূমদসু ঐহাক দুকান/কৈথেল কারগা এঞ্চাং নাপি, ঙা-চাক, হৱাই-চেঙৱাই লৈবসি ঐখোয় ইমুংগী ওইনা ঐনা অয়াম্বা তৌই। ঐ য়ূম পান্দ্রিবা নহানি। অদুবু কৈথেল কাদুনা এঞ্চাং-নাপি, ঙা-চাক লৈবসি হৈনরে, লমদম্নরে। খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেল মরক্তগীসু অদুম লৈরি। ইমুংগী শেন্মীৎলোন য়াম্না ফবা ওইদবনিনা মমল য়াম্বদি লৈবা নত্তে। লৈরিবা পোৎলমশিং অদুদি পোৎয়ান য়াওব্রা/য়াওদব্রা হায়বদুমদি ঐসু খঙবা নত্তে। মণিপুরদসু হু চেনবা কেমিকেল শীজিন্নদবা ওর্গানিক ফার্মিংগী ঈহৌ অমসু কন্না শাগৎলক্লি। কৈথেলদা মসিগী পোৎলমশিং ফংলবদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইররোই। অদুবু ঐখোয়গী কৈথেলদা ফংলিবা পাৎলমশিং অসি মপান্দগী পুশিল্লকপা অহাও-অথুম ময়াম অমা য়াওরি। মসিসু ফুদ টেষ্টিং তৌদ্রবদি পোৎয়ান য়াওরমনী/য়াওরম্মোই হায়বা খঙদে। মরমসিনা ফুদ এনালিষ্টশিং অমসুং ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টনা লেবোরেটরিদা ফুদ টেষ্টিং তৌবখক্তা নত্তনা য়ূম-য়ূমগী কীচন্দা থম্নবা ফুদ টেষ্টিংগী পোর্টেবল ওইবা মিনি মেছিন ওইনা পুথোকপীয়ু। মহি/মপং খরা টেষ্ট তৌরগা ওটোমেটিক ওইনা পোৎয়ান য়াওবগী চাং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবগী চাং তাকপা ঙম্বা টেক্নোলোজি পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়ৌহন্নীংই। অফবা চিঞ্জাক চাবনা ঐখোয়গী হকশেল অমদি ৱাখল লৌশিং ফনা থম্বদা মতেং ওইহল্লি।




# মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯ এমেন্দমেন্ট তৌবনা চুমগনি

- এস কে অপানবা -

**ইমালোলনা** ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখিবদা নুংঙাইবা পোক্লোইদবা, হরাউবা ফাওরোইদবা কনাবু লৈরমগদগে? মণিপুরী লোলনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখিবা চহী কুনতরুক শুরে। মশাগী ময়েক লৈনা লৈনা ঙসিসু মণিপুরী লোলনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখিবা চহী কুন্তরুক্কী মতুংদসু মশাগীদমক্তা মীতৈ ময়েকপু লোৎশিল্লগা মণিপুর লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯বু ঙসিসু এমেন্দমেন্ট তৌদনা বেঙ্গলি ময়েক (স্ক্রিপ্ট) ওইনা চৎনদুনা অদুমক লৈরি। মসিবু মমালোল নুংশিবগী খুদমলা?

'লোলনা ইমানি, ঈয়েক্না ইপানি' হায়না পুয়ানা লুনা-লূম্না অমদি হক্না ৱাংনা শিংথারি। অদুবু লাইবক থীবদি - ইমালোলনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবসু ইপাগী মশক ওইরিবা মশাগী ইনবা ময়েক মীতৈ ময়েক্তি লোৎশিন্দুনা থল্লি। মপা মশক খঙদবা, মপা লৈজদবা মচাগুম মীপাদা ইপা কৌদুনা মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ মণিপুরী লোলগী ইনবা ময়েকপু রিটর্ন ইন বেঙ্গলি স্ক্রিপ্ট ওইনা চৎনদুনা লৈরি। মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯ না ঙাক্লৌ পীদুনা থল্লি। হায়জবা-নোনজবা পূম্বা তাবিদ্রি, নূংদা ঈশিং চাইবগুম মচি লেংদনা লৈরি, মীয়ামগী খোল্লাউ তাবিদ্রি।

পনবা য়াবদি, নোংমতদা পূন্না ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনমিন্নখিবা নেপালি লোল অমসুং কোনকানি লোলগী ময়েক্তি মখোয়-মখোয়গী লৈঙাক্লা মশাগী মগুণ কন্নবগীদমক্তা মতম চানা থৱায় য়াওনা হোৎনবদগী ঙসিদি ইন্দিয়াগী শেনয়েক্তা মশাগী লোলগী ময়েক য়াওহনবা ঙমখ্রে। ঐখোয়গীদি খল্লুবদা ইকায়বা পোকই।

অমরোমদা, লৈঙাক্লা মীতৈ ময়েক লেপখিবা চহী কুন্থ্রানিপাল শুরবসু এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মীতৈ ময়েক্কীদমক লৌখৎলকপা খোঙথাংদি য়াম্না থেংনা চহী তরাহুমদোই খক্তমক ঙাইরি। গ্রেজুয়েটকী থাক্তা তমখৎলকপদা মঙায়রি। অদুবু ঙক্লিবদি মশাগী লোলগী ইনবা ময়েক লৈনা লৈনা ঙসিসু বেঙ্গলি ময়েক্না মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজগী ইনবা ময়েক ওইদুনা লৈরিবসিনি। ইন্দিয়াগী অনৌবা শেনয়েক্তা ইশাগী ইমালোনগী ময়েক মীতৈ ময়েক য়াওরক্তবগী নুংঙাইতবা-পেন্দবা ফাওরম্বদি য়াই অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কীদি থোয়না মমি তাবা উদে। লাইবক থীবদি মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট ১৯৭৯দা রিটর্ন ইন বেঙ্গলি স্ক্রিপ্ট হায়না লৈরিবদু রিটর্ন ইন মীতৈ স্ক্রিপ্ট হায়না এমেন্দমেন্ট তৌদুনা বিল পাস তৌবগা লোয়নননা গেজেটতা ফোংদুনা ঙসি ঙসিগী লৈঙাক্লা ঐখোয়গী মীতৈ ময়েক অনৌবা শেনয়েক্তা হাপ্পীনবা মরী লৈনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওথোরিটিদা তকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বদুমদি নীংশিংবা থোক্তনা কাউশিন্নরি। কৈদৌঙৈ মীকপ থোক্লক্তুনা মশাগী মরলবু মরল ওইনা ঙাক শেনবীগদগে হায়বদুদি তম্বা ঙমদ্রি।

নাকল অমরোমদা, লৈঙাক্কী লোলগী লোইশঙনা তত্তনা লাউরি - "ইমালোল মীরাইগুমসি, ইমালোল হেন্না-হেন্না থিজিনসি, ইমালোলনা ঐখোয়গী ইরলনি, ইমালোলগীদমক চাউথোকচনীংঙাইনি" হায়না। অদুবু ঙক্লিবদি ইমালোলগী ইনবা মশাগী ময়েক লৈজরিবা লৈঙাক্লা শকখঙলবা গ্রেজুয়েটকী থাক্তা তম্বা হৌখ্রবা মীতৈ ময়েক্কী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা কাঙথোক্তবসিনি।

অরোইবদা, মশাগী শক্তম লৈনা লৈনা মশাগী শক্তম লোৎশিল্লগা লান্না শক্তাক্তুনা লৈঙাক মশাগী ওফিসল লেংগ্বেজগী ইনবা ময়েকপু মীগী অৱাইবা ময়েক বেঙ্গলি ময়েক্না চৎনদুনা লৈরিবসি য়ূমলোন্নবা লৈবাক্কী মমাঙদা ইকায়দবা ঙমদে। লোয়না লোয়নননা ইরৈচা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংগী মফমদদি ইয়েক লৈজবগী চাউথোকচবদু কৈদৌঙৈনো হায়বগী অচৌবা শিংনবা ৱাহং অমা ওইবদা নত্তনা পোৎলুম অমসু ওইহল্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোইদৌরি।